ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ০৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১০০শুবা মশীং

# প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মাঙহন্নবা থৌশিল

## *মণিপুর লৈঙাক্কী থৌশাদবগী মতৌ অফবা নত্তে*

**মীওইবা** ঐখোয়না নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ হেক তাবা ফাওবদা শীজিন্নরিবা চান-থক্লবা পোৎলম অয়াম্বা প্লাষ্টিক খাওনা য়োম্মী। চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা য়াম্না পাম্না চানরিবা ফষ্ট ফুদশিং হায়বদি মেগ্নী, ৱাই-ৱাই, চৌ-চৌ, চোক্লেট, কেক, মিমীশিং প্লাষ্টিক্লা য়োম্মী। মসিদগী হেন্দোক্লদুনা ইমুং অমনা শীজিন্নরিবা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং হায়বদি থুম, থাউ, মরু-মরাং, হৱাই-চেঙৱাই, ঙারি-ঙাতাই, থক্লনবা পেক তৌরবা ঈশিংসু প্লাষ্টিক খাওদা হাপ্লকই। পুবদা নুংঙাইবা, মশাদা পকশিন্দবা, মমল হোঙবা, অমুক্তং শীজিন্নরগা হুন্দোকখ্রবসু থোইনা অকায়বা লৈতে হায়না খন্নবা ওইবনা প্লাষ্টিক/পোলিথিন অসি মীওইবনা তঙাইফদবা অমা ওইনা শীজিন্নরি। নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা য়ূম অমদা পুশিল্লক্লিবা প্লাষ্টিক্কী খাওশিং অসি য়ূম মনুংদা নোংমতা পৈশিল্লগা থম্বা উনদে। লম্বীদা-লমজাওদা, লৌবুক-লম্ফাংদা, লুকখাক কোমদা নৎত্রগা অমোৎ অকায় খোম্বা লাকপশিংদা য়ৌরকই। অসুম্না ঐখোয় মীওইবনা শীজিন্নবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংনি হায়না হুন্দোক্লকপশিংগী মনুংদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসিনা চাং ৱাংখৎলকপদগী হৌজিক্তি মালেমগী মফম পুম্নমক্তা প্লাষ্টিক ৱেষ্টকী ৱাথোক অসি লাক্লে। চাওখৎলবা লৈবাক খরদদি প্লাষ্টিক খাও শীজিন্নবগী মহুত্তা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়ামরুম্না মহুৎ শিনখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা ইমুং অমগী চান-থক্লবা মনা-মশিং লৈবা চৎপদা য়ূমদগী লিমোন্না শাবা খাও নৎত্রগা ফীনা শাবা অচৌবা খাও অমদা পোৎলমশিং অদু পুল্লপ হাপ্লগা পুরকপনা য়ূমদা প্লাষ্টিক্কী খাও পুশিন্দনবগী খ্বাইদগী ফরবা মচাক ওইহল্লি। ঙারি লৈগে হায়রবসু চে অমদা নীংথিনা য়োম্লগা য়ূমদগী পুরকপা খাও অদুদা হাপ্লকপদা থোইনা অকায়বা লৈতে। অদুবু হৌজিক তৌরিবা মতৌ অসিদি খামেন কেজি অমা লৈবগীসু, আলু কেজি অমা লৈবগীসু, ঙারি পৌৱা অমা লৈবগীসু, মোরেক অতেকপা লুপা ১০গী লৈবগীসু প্লাষ্টিক খাও অমমম হাপ্লক্তুনা কৈথেলদা চৎলিবা মীওই অদুনা য়ূমদা পোৎ পুরকপদা প্লাষ্টিক খাও ২০দগী তাদ্রে। য়ূম অমমমনা নোংমদা প্লাষ্টিক খাও ২০/২০ মপান্দা হুন্দোকপা তারগদি লৈকায় অমদা থা অমগী মনুংদা প্লাষ্টিক্কী ফত্ত-হৌদিনা ৱাই চাইবা হায়বসি মহৌশা ওইগনি। প্লাষ্টিক্কী পোৎলম অসি ঐখোয় মীওইবনা শুকশি শীজিন্নরমদে। হৌজিকখক্তদা য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইনা শীজিন্নরকপনি। অদুবু ফত্তে হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা মীয়ামদা খুদম চাংদমগা লোয়ননা ফোঙদোক্লবনিনা মসিবু থিংননবা হোৎনবদা মীয়ামসু ৱাখল্লোন তাবগী তঙাইফদবা লৈরে।

সেন্ত্রেল পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০০২দা মীওইবনা প্লাষ্টিক টন লাক্ষ অমা শীজিন্নখি হায়না ফোঙদোকই। শীজিন্নখ্রবা প্লাষ্টিক খাও হুন্দোরকপদগী ঈশিং-নুংশিৎতা অকায়বা থোকহন্দুনা সমুদ্রদা চাক্তাবা উচেক লাক্ষ ১০ অমসুং ঈশিংদুদা লৈরিবা থৱায় পানবা লাক্ষ অমা চহী খুদিংগী শিহল্লি হায়নসু রিপোর্ট তৌখ্রে। কুমজা ২০৫০দদি সমুদ্রদা হুন্দোরকপা প্লাষ্টিক মশীংনা ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবা মশীংদগী হেনগৎখ্রগনি। প্লাষ্টিকতি পৎপা-পুম্বা নাইদবনা মীওইবা ঐখোয়না শীজিন্নরগা হুন্দোরকখিবা মফম অদুদা তুংদুনা লৈ। ঈশিংনা নৎত্রগা নুংশিৎনা পুদুনা ইরায় লায়না চৎপা ঙম্বা মরম্না ইঙ্খোলদা, লৌবুক্তা, ঈশিংদা তাশিল্লগা ঐখোয় মীওইবগী হকশেলগী লমদা শাথিনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকই। ঈশিংদা লংথখিবা প্লাষ্টিক্তা য়াওবা দাই ইথাইলহেক্সিল থোলেট, লেদ (মিসি), কেটমিয়ম অমসুং মর্ক্যুরিনচিংবা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা মচাকশিং ঙানা মচিঞ্জাক ওইনা চাশিনখি। হূগী মশক ওইরবা কেমিকেলশিং অসি চারুবা ঙা অদু ঐখোয় মীওইবনা অমুক চিঞ্জাক ওইনা চারুবা মতমদা মীওইবদা কেন্সর অমদি ইম্যুন দিসওদর থোকহন্দুনা শোয়নাইবা অঙাং ফাওবা পোক্লকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা লৈবাক লৈহাওদা প্লাষ্টিক্কী খাও অসি তাশিনখিবা মতমদা তৌবা নৎত্রগা খোৎকায়রকপা মতমদা মচেৎ-মচেৎ লৈহাওদা তিনশিনখিগনি। অদুগুম্বা মচেৎ ময়ামশিং অদুনা লৈরোন অমদগী লৈরোন অমা শেমদুনা লৈবাক লৈহাও মশেলগী মরক্তা লৈনগদবা খল অদু কায়থহল্লি। মসিনা লৈবাক লৈহাওদা অহোংবা লাকহন্দুনা মহৈ-মরোংশিং মহৈ চুম্না পালহনবা ঙমদে। অসিগুম্বা ময়াম অসি য়েৎলুরগা প্লাষ্টিক্লা পীরিবা কান্নবা অদুদগী কায়নথংদা অমাঙবনা হেনগৎলকই হায়বসি মীয়াম্না খঙনবা হৌরে। লুরিবদি ঐখোয় মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক/পোলিথিন খাওশিং অসি কমদৌনা মাঙহনগদগে হায়বসিনি। রি সাইক্লিং তৌরগা অমুক হন্না শীজিন্নবসু য়াবগী কাঙলোন লৈতবনা লৈঙাক্লা হান্নদগী হৌনা অথিংবা থমখ্রবা মাইক্রোন ৫০গী মখাদা লৈবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম য়োনবা য়ারোই হায়বসি চেৎশিলহনবা নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈতে। অদুবু টামিল নাদু য়াওনা অতোপ্পা ষ্টেট খরদদি প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং কোয়লাসকা তিনশিন্নরগা লম্বী শেম্বদা শীজিন্নবগী টেক্নোলোজি অমা শীজিন্নরকপা অসি ঐখোয় মীওইবগী লাইবক ফবনি। মণিপুরদসু প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং মাঙহন্নবা থৌশিল ওইনা লম্বী কোয়লাস থাবদা হাপ্পনবা থৌশিল অমা শেম্বীয়ু। প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং মাঙননবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা থৌশা-ৱাশাদবগী মতৌ উৎলিবা অসি অচুম্বা নত্তে হায়বদা অরানবা লৈতে।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মরিরক কায়খ্রবা লাইবক থীরবা সেকমাই দাম

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**দাম** অসি অশেংবা লৌমীগী দাম মাল্লক্লে, থিকাদারশিংগী দাম ওইনা মাল্লক্লে। মরমদি লৌমীশিংগী অশেংবা দাম ওইরবদি লমদম অসিগী হান্নদগী লাই গুরুশিংনা চৎনরম্বা ঋতুগী মতুং ইন্না কালেন পুর্ণিমাদা ঈশিং পীবা হায়বা চৎনবীদু হৌখিবা কুমসু, কুমসিসু হোৎনবগী মমি তাদে। লৌমীগী অশেংবা দাম ওইরবদি মফম অমা য়েংলগা হান্ননা তেম্পররি দাইভর্সন দাম অমা শেমদোকফম থোকপনি। দাম অসিবু হোৎনরিবা মীওইসু ইরমদম খুঞ্জা মাপনগী মনুংদগীনা অয়াম্বনি। ইরমদম অসিবু তুং কোয়না য়াইফ-নুংঙাইবা মফম অমা ওইহৌনবগা ইরোয়ননা শূফম নোম্ফম ৱাত্তনবা ষ্টেট অসিগী অৱাং মায়কৈদা শিংথানবা য়াবা লৌমীগী গ্রীন রিভোল্যুসনগী মওং মরীল তাবা মফম অমা ওইনবগী পান্দমদা হোৎনহৌবনা ইরমদমগী য়াইফবা ওইগনি। নত্তদুনা মপানথোংগী শকওংদদি দেকোরেসনগী মওংদা ফজহল্লগা ফাউন্দেসনদদি মওং মরীল তানা কাঙলোন চুম্না হৌখিদবদগী মরিরক হন্না কায়দুনা লৌমীগী লাইবক থীখ্রিবনি। শেল তানফমগী দাম ওইহনবীগনু, লৌমীগী অশেংবা তুং কোয়না চৎকদবা দাম ওইহনবীয়ু। হৌজিকসু জুন থা লোইশিনখ্রবা ফাওবা ঈশিং পীবা ঙমদ্রবদি ফৌ শাৎপা ঙমদদুনা লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্লগনি। পূম্নমক অসি হৌখ্রবসু লৌমীগী মায়কৈদগী থমজনীংবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবীদুনা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা লোয়ননা অহিং নুংথিল খাক্তনা থবক শূবিদুনা লৌ উবা য়ানবা হোৎনবীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - সী ঐচ নিতাই*
*এক্স প্রসিদেন্ট, কিষান মোর্চা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১। খোংজোম পর্বগী শৈশক অসি মৈতৈশিংগীদি মুৎপা নাইররোইদবা শৈখল অমনি।
(ক) শৈশক অসি করম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা শকপা হৌখিবগে?
(খ) শৈশক অসিবু ইহান হান্না শক্লম্বা শৈশকপা ওজাদু কনানো?
২। "থাজৌ ঐ মীনি/চাও, ঐবু চাও/...ঐ নঙগী চিঞ্জাক্লি/ঐবু চাও।" পরেংশিংসি খুন্দ্রাকপম ব্রজচান্দনা ইবা দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?
৩। "তীলোতমা, কাউরবরা নঙবু অদুঙৈগী সন্ধ্যা য়াচংবা মতুংদা ইবানি উনখিবদো?" পরেং অসিনা 'অফবা পৃথিবী' কৌবা উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?
৪। "মতম মতম হৌখ্রবা মতম/লাইরৈবাক্কী অমম্বসিদা/হিংলকপনি নঙ/হিংলকপনি নুপী নঙ।" পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু?
৫। 'ঐগী পুন্সিগী নীংশিংবা ৱা খরা' কৌবা নীংশিং ৱারীগী লাইরিক অদু কনানা ইরম্বনো? মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইম্ফাল ময়োন্দসু, অকোয়বদসু প্লাষ্টিক্লা পুমচায়

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫০৫
জিতেন নামৈরাকপম



**ফনবু** নুংঙাইরক্লি হন্দক্কী মতাং অসিদি। প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংবগী মতাংনি। প্লাষ্টিকখক্তগী ৱাসু নত্তে। মালেমদা কায়রকপা, থুগাইরকপা নত্তনা মহাক্কী মরুম থুপ্লা হিংলিবা জীব পানবা খুদিংমক্তা অকায় অতোয় থোকহল্লিবা পোৎলম খুদিংমক শীজিন্নবা থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপগী খোঙজং অমা ওইনা মণিপুরদা মাইক্রোন নিফু হায়ব্রা অদুগী চাংদগী হেনবা হেন্দবা লৈবা-য়োনবা, হাপ্পা থিংবগী কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে। প্লাষ্টিক বেগ নৎত্রগা চেখাও হায়গদ্রা মপূন-মপূন, কিলো-কিলো ফাগৎপগী পাউতনা লৈবাক অসিদা শন্দোরক্লি। য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। ইকোলোজিকেল বেলেন্সতা অকায় অতোয় থোকহল্লিবা পূম্নমক থিংনবগী থবক থেংমল্লবনি।

হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক হায়বদি বি জে পিনা লুচিংবা শ্রী বিরেন লৈঙাক অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খরা চুম্না চৎলিব্রা খঞ্জে। ঙাইখোনে, শ্রী বিরেন হায়রগা অশাওবা কবি হায়রগা খঙনবা ওজা বিরেন নীংশিংলকই। মশা অদু পাদ্রিক পায়, আনোক অদু নাতোন্দা থাদগনি অদুগা মহৈরোয় ৭০/৮০ ফম্বা কা অদুদা মমিৎতু কুরুক-কুরুক য়েংলক্কনি। ওজা নিলকান্তগী মতমনি। এলাংবম লৈকায়দগী মমিং শেগাক কায়না চৎখিবা ফৈজোম পুময়াৎ লিৎলগা লাকখিবা ওজা নিলকান্তগী মশক উখিদবা চহী কুনরোম শুরম্লগনি খঞ্জে। এলাংবম লৈকায় লাইরেম্বী লৈরিবা লম্বী অদুদা চুম্না চঙগনি অদুগা মখারোমদা খজিক্তং থেক্কনি। অদুগা ওজা নিলকান্ত কবি উন্নগনি। য়াম্না চম্মী। মপূক মপাউ য়াম্না ফৈ। অরানবদি শুকয়া য়াদে। গৌরিয়া ধর্ম্ম হিটনি। হায়বদি অশেং-অমাং য়াম্না খায়বনি। মতম অদু অইবনা দি এম কোলেজদা তল্লিঙৈদনি। মহাক্লা হায়বদি ওজানা তাকপা ৱারেং, শৈরেং তাননবা হোৎনবদা মহৈরোয় অয়াম্বা পেরিয়দ লৈথোক্লখিদে। ওজা শ্রী বিরেন হায়বদি অশাওবা কবি হায়রগা খঙনবা ঐবু তাকপীরকপা ওজা অমদি ঈশৈ ইবা থাংজম কোরাগী মনাওনুপা ওইরমগদ্রা খঞ্জে। ওজা ইবোবিশক ওজাসিসু অশাওবা কবিনি। শাওগনখ্রবা। ইরকপদা থুক লাউবা অমদুম ফাওজৈ। 'শেগাইরবা কুরাংবান' ৱারীমচা অসি ঐগী কোলেজগী মতমদা তমজরকই। কনানা ইবনো হায়বদুদি কবি অনী অসিগী মনুংদা অমদি ওইরে হায়জররোই। পাবিদ্রিবশিংনা অমুক্তং পাহন্নীংবগী অপাম্বা লৈজৈ। অদুগা অমুকসু ওজা মংলেম হায়বা মাল্লি। মালোমদগীনি। মণিপুরী তাকপীরকই। মানা লৌবা ক্লাসসি ক্লাস রুম পোকখায়বীনি। নুপামচা মহৈরোয় ঙাক্তগা ওইরে। মাদি দোং-দোং ঙাঙথোকই। মখল-মখা কয়াগী নুংঙাই-নুংঙাইরবা ৱারী কয়াসু অদুম লীবি। ক্লাসসু পোকখায়গদবা মখৈ পূম্নমক হরাউনা নোকখি। করিনোনে ঙসি ঐনা তৌরিবা মতৌ অসিবো! চীফ মিনিষ্টর বিরেনদগী হৌরুরগা কনাগী ওজাঁ নিলকান্ত, ঁবিরেন অদগী জি পি কোলেজদা মণিপুরী তাকপীরম্বা শ্রী ইবোপিশকসু য়াওশিনখ্রে (অইবদি জি পি কোলেজ হায়বদি ঘনপ্রিয়া ৱিমেন্স কোলেজদা তমজরক্তে/নুপীগী কোলেজনি)। চীফ মিনিষ্টর ফুটবোল প্লেয়র ওইরম্বা, পাউচেগী এদিটরসু ওইরম্বা কাকা বিরেন্না মণিপুর চাওখৎলক্লবা অসুক ৱানা হোৎনরগা কনাগুম্বনা করেম কথাইনবা মওংদা পঙই-ইবা, পংঙাঙ-ঙাঙবসু তানীংদবা মতাং য়াওরকই। হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক অসিবু করম ফত্তে হায়সিগে। তুংগী ৱাফমদি কনানসু হায়বা ঙমদে। ময়াম্নদি খঙনখ্রবা ঙাক্তগী ৱাফম ওইনা চীং-তম নকশিল্লকপা, বন্দ ব্লোকেদ হুত্থহল্লকপা, চীংদা চৎলু, খুঙ্গংদা চৎলু, এন্টি করপসন সেল লীংখৎলকপা, চীফ মিনিষ্টরগী হকশেল তেংবাঙ, মৈ-ঈশিং, লম্বী-থোং, ঈচাউগী অৱাবা নংলবশিংদা তেংবাঙ অসিনচিংবা মতেং পাংদুনা শুক্লাক লাক্তে হায়বা য়ারিব্রা?

খ্বাইদগী নুংঙাইজবা অমনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিনি। চীফ মিনিষ্টর শ্রী বিরেন্না ওগষ্ট থাদগীদি আইন্না য়াদবা মওংদা শীজিন্নবা য়াদবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম য়োনবা, শীজিন্নবা য়াররোই ফাইন চাউনা থিবগী মথক্তা জেলদা থম্বা ফাওবা য়াওরি। অমরোমদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নবা থিংবসিদি থেংববু থেংমল্লবনি। প্লাষ্টিক চায়দবা মফম অমত্তা লৈত্রে, পুময়োমনি। প্লাষ্টিক্কী মরমদা অফবা ফত্তবা ময়াম ইদ্রগসু অপাবশিংনা খঙবিরবা মক্তনি। অদুনা অইবনা থমজনীংবদি য়ারিবমখৈ পোৎ লৈবা চৎপা মতমদা কেরিয়র বেগ অমা পুবিবা, ফদিগোম লুপা ৫ লৈবগীসু পোলিথিন বেগতা হাপ্পগী হৈনবী থাদোক্লসি। মথংদা রিফিল তৌবিবা, হৈ-রা, মনা-মশিং লৈবদা পেক তৌহনবীদবা, রি-সাইকল তৌরবা পোৎ শীজিন্নবীবা, সোফ দ্রিঙ্কগুম্বসি অচৌ অচৌবা বোট্টল লৈবিবা হায়বদি লুপা ৫/১০ পীবা অপীকপা লৈবনা চায়থোকপা হেলহল্লি। অরৈবা পোৎশিং য়োমশিনহনবা, প্লাষ্টিক নত্তনা পেকিং মেটরিএল, ইনভেলপকুম্বা শীজিন্নবীবা, লঞ্চ নৎত্রগা দিন্নরগী চিঞ্জাকসু রি-য়ুজেবল বোক্স শীজিন্নবীবা, মতম কুইনা চৎপা দিয়ুরেবল প্রদক্টস নৎত্রগা দিসপোজিবল ইকো ফ্রেন্দসিপ ওইবা শীজিন্নবা, য়ূমদা পৈ পৈদুনা লৈরিবা শেৎনদ্রবা ফদি ফরিবা ফিরোলশিং দোনেট তৌবিবা, চপ মান্ননা ফর্নিচরসু মঙায় মঙোন দা দরকার লৈবশিংদু পীথোকপীয়ু, শোয়দনা হরাউগনি। অদুগা অমুকসু হঞ্জিন-হঞ্জিন শীজিন্নবা য়াবা গ্লাস বোট্টলগুম্বা লৈবিয়ু। অকায়বা পোৎ অদু শেম শাবা মেনশিনবা য়ারগদি লেম্না মাঙহনবীগনু, ঐখোয়দা কান্নদ্রবা পোৎশিং খোম্বা লাকপদা লেম্না পীথোকপীয়ু অসিনচিংবা ময়াম অমা লৈখ্রে। হন্দক্তি প্লাষ্টিক চায়খায়দনবা শ্রী বিরেন লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙজংশিংদা মীয়াম হুপ্পা শরুক য়ামিন্নরসি।◀◀

# খুন্নাইগীদা পামদবা ৱাথোকশিং করম্না কনানা লোইশিনবা ঙমগনি?-১

ৱাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লূৱাং

**মণিপুরগী** পাক চাউবসি স্কার কিলোমিটর ২২,৩২৭ নিদি হায়। অদুবু লুরিবদি হৌজিক্তা মসি কয়াম চুল্লিবা-লাল্লিবা হায়বদি ৱাহং অমা ওইরে। য়ূমথংনবা কন্ত্রি ম্যান্মারদগী তৎতনা মণিপুরগী ঙমখৈদা খাবা শম্বল হায়বদি বোর্দর পিল্লর হোংদোক-হোংজিন তৌরগা মণিপুরগী ঙমখৈদা মিটর ফনা য়াম্না চঙশিল্লক্লগা য়ুংশিনবগী ৱাথোক ওইনা লৈরি। খুদম, হন্দকসি বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১শুবসিদগী মণিপুরগী ক্বাথা খুন মনুংদা মিটর ১০০ চঙশিল্লকই হায়বগী চয়েৎনবা লৈবগুম তৌরি। ইন্দিয়াদা য়ানীংদ-য়ানীংদা পুল্লুবদগী কবো ভেল্লি মাঙখিবগী নিংদোল পোম্না লৈরিঙৈগী মথক্তা তৎতনা ঙমখৈদা শিংনরকপগী ৱাথোক লৈরি। মরক মরক্তসু য়ূমথংনবা ষ্টেট ওইরিবা নাগালেন্দগীসু থোক্তবা নত্তে। হায়রিবশিংসি করম্না থোকহনবনো হায়বদি লম করাম চাউবশিংগা লমদা মমল তিক্লবগা খুদোংচাবা মরম অমা নৎত্রগা অমা লৌনীংবা অনীগী মরক্তা লৈনবা অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা শোয়দনা ওইগনি হায়বসি অদুম ইখঙ খঙনবগুম তৌই। ৱাথোক অমা লৈরবদি মদুগী ৱারোহৈশিন অমা লৈফম থোকপনা মদু মরম চানা অথুবা মতমদা পুরকপসিনি মীয়াম্না পাম্ন রিবসি। লৈঙাক্কী অঙম অথৌশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরগা অরোইবা ৱারেপ লৌবা ঙমগদবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি লম করাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অহুম্মক তানরগা পূন্না য়ানবা মওংদা অথুবদা লোইশিন্নবা ৱারেপ লৌরবা মতমদতা লোইশিনবা হায়বসি ঙমগনি। নৎত্রবদি নাকল অমমমতগী ওইবা ৱারেপ্পদি লোইশিনবা ঙল্লোই। য়ূমলোন্নবশিংগা লমগী ৱাথোক মতম চুপ্পগী ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট ফোর্সপু মরম চানা ৱাথোক ওইগনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা সেক্যুরিটি মশীং মরাং কায়না অমদি মতমগা চুনবা খূৎজু খূৎলায়শিং অমদি ঙমখৈদা শিংনরকপা মতমদা এক্সন লৌবা ঙম্নবা মতিক মঙম লৈবা, চৎনবা য়াবা য়াথংসু মাঙজৌননা পীবগী মথৌ তাগনি নৎত্রবদি পীরিবা য়াথংদু মপূং ফাদবদগী/শেংদবদগী (ভেক ওইবদগী) থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমদদুনা 'অঙাংদা হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংউ' হায়বদু তাদুনা মীতোপশিংনা লান্না তৌশিল্লকপশিং অথিংবা পীদুনা পামদবা ৱাথোকশিংদু মায়োক্লবা ঙল্লোই। মতাং মতম চানা পুকচেল শেংনা মথৌ মশক খঙনা তৌবদা অফ-ফত্তগী মায়রোং য়াবা ঙম্বশিং (রেসপোন্সিবল ওফিসিএলস) তনা লোইশিনবা ঙমগনি। মীতোপ্পা ঐখোয়গীদমক হীরম অয়াম্বদা ফনবা খক তৌবিরোই হায়বসি ৱাখলদা থল্লগা য়ারিবমখৈ ঐখোয় ইশাদসু নত্তনা মশামকসু মসিগী কান্নবা ফংগদবদুদা শিননরবদি লোইশিনবা ঙমগনি হায়বসি অচেৎপা থাজবনি। অদুবু মদুদসু লৈঙাক্কী মথক থোংবশিংনা মরম চাদনা তৌদনবা হায়রকপদা পঙইন ইন্দবা ঙম্বা অমসু ওইরবদি য়াম্না হেন্না ফৈ। মসিগীদমক্তা মরী লৈনবশিং হায়বদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, ষ্টেক হোল্ডরশিং অমদি লমদমসিগী হৌরক্লোন খঙবা কয়াগা পূনশিন্নরগা য়েৎনরিবা ৱাফমশিং মমুৎ তানা লোইশিননবা হোৎনবদা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা মতম চানা পীশিনবীবা মথৌ য়াম্না তাগদ্রা হায়বসি মাঙখ্রবা অমদি মাঙবা য়ারিবা লমগী ৱাথোক মতম চুপ্পগী ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগদ্রা খঞ্জবদগীনি। লমদমসিগী য়েলহৌমী ঐখোয়নদি ইপা-ইপুশিংনা হৌখ্রবা মতমদুদদি থাঙ অমদি তাগী হৈশিংবনা লৈবাক ঙাক্লম্বা, লমগী পাক চাউবা হেনগৎহনবদা শীজিন্নরম্বা খূৎলায়শিং ওইরগা - কল্লম্বা/য়াৎলম্বা ঙমখৈদি অদুদগীনা অদা ফাওবনি হায়জরবসু ইন্দিয়াগী ময়োল লৈঙাক্লদি ৱাকৎলিবা ৱাফম অমত্তা ফজনা তাবিবগী পো কাংবা ইউ উদে। হেন্না হেন্নদুম ওন্থোক ওনশিন তৌনবগী থৌওং হায়বদি থেম্বগী মওংদা মখল অমগী ওইবা মওংদা ওইনা পীবদা অহানবদা মণিপুরগী লম মচেৎ খরা ম্যান্মারদা পীথোকপদা ওইনা মীৎয়েং চঙবগুম তৌরিবসিনি মণিপুরগী মীয়াম অমদি সী এস ওশিংনা পেন্নদ্রিবসি। নম্ফুদা শুপ্লাই পায়শিনখ্রগা শায়েন ঙায়েন তৌনবা হোৎনরকপদি খুদক্তা থিংবা ঙমদবগী ৱানি শুকয়া য়ানীংলোইদবা ৱাফমনি/থৌদোক্লি।

হৌজিক্তা য়াম্না মথৌ তারক্লিবদি মাঙবা য়াবা মাঙখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী লমগী পাক চাউবসি স্কার কিলোমিটর ২২,৩২৭নি হায়বসি ইনৌ নৌনা ওল্লগা (সর্ভে) চুল্লিব্রা খঙদোক্লবা হোৎনবসিনি হায়নীংই। ঐখোয়নদি য়ূমথংনবদগী লম নৌনা খোপচিল্লুবা লৈতবনা লমগী পাক চাউবা হেনগৎফম থোক্তে। মীনদি লম শুম-শুম খোপচিল্লকপগী মীপাইবা লৈরিবনিনা পীকশিল্লকপা নত্তনা চাউখৎপদি ওইররোই। মতাংসিদা অইবনা খঙজদ্রবসু থমজনীংবা ৱাফম অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, মণিপুরগী মীয়ামশিং/মীয়ামগী মহুৎ শিনবা সী এস ও খরগা পূনশিল্লবা মীহুৎকী টিম অমনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লম ওন্থোক ওনশিন হায়বদি পাক চাউবা, ঙমখৈগী য়েংথোক য়েংশিন তৌনবা লৈরিবা সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদা অথুবা মতমদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা পাক চাউবসি কয়ানো খঙনবা ইনৌ নৌনা ওন্থোকপীনবা য়াম্না কন্না তকশিনবা মথৌ তাব্রা হায়বসিনি। মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা 'হোয়' হায়দুনা মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা লমগী পাক চাউবসি ওলহনবা য়ারবদি লম মাঙবগী চিংনরিবসি অশেংবা ওইনা খঙবা ঙমগনি। হান্নগী স্কার কিলোমিটর ২২,৩২৭ সি কায়রমদ্রবদি, পামদ্রবসু পামদনা য়ারে হায়না লৌরসি। অদুগা মসিদগী হন্থরম্লবদি হন্থরিবা/ৱাৎলিবা লমগী পাক চাউবসি কয়ানো খঙদোক্লবনিনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদি ষ্টেট হায়কোর্ট/ইন্দিয়াগী এপেক্স কোর্ট ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট/ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিশতা করি তৌবা য়াবা/য়াদবা হায়বসিদি মরী লৈনবা হীরমসিদা অখণ্ড অহৈশিংনা পায়খৎচহন্নীংই। প্রাক্তিকেল ওইনা হায়রিবসি থবক ওইনা ওন্থোক্লবা শিনবীয়ু হায়জবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তরাম্না য়ারক্কনিদি থাজদে। মরমদি অরানবা তৌবা মীনা মশানা তৌখ্রিবা অরানবদুগী মরমদা থিগৎনবা অয়াবা পীয়ু হায়বদা য়াবা হৌনদে। মসিগী মতাংদসু তৌহন্নবা য়াথং তাওথবা ঙম্বা এপেক্স কোর্টকী মথৌ শোয়দনা তাগনি খঞ্জে। মসিগী অচঙবা শেনফম লম মাঙখিবগী নিংদোল পোল্লিবা মীচম মীয়াম ঐখোয় লোয়নমক্লা অরৈ লৈতগী য়েংলগা খায়গৎনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এক্সচেক্করদগী শেনফম শোকহনদবা য়াগনি থাজৈ।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগা য়ূমলোন্নবা কন্ত্রিশিং ওইরিবা চাইনা অমদি পাকিষ্টানদদি ইন্দিয়াগী লমগী ঙমখৈ ঙাক শেনবদা অকনবা মীৎয়েং চঙই হায়বসি লোয়না খঙনৈ। মথৌ তারিবদি খুদক্তা খুদোংথিনীংঙাই ওই হায়না খনবা মফমদা মিলিটরি, পেরামিলিটরি কয়াগী কম্পনি কয়ামরুম থাজিল্লি। খুদম খরা ওইনা পল্লবদা, কাশ্মীরগী কার্গিলদা শোক্লখিবা লান, অরুনাচল প্রদেশকীদা, দোক্লামদা মতম য়াম্না শাংনা নাকল অনীগী লান্মীশিং খোঙফম শেম্নদুনা লৈনখিবসি অতৈ মরমগী নত্তে লমগী ঙমখৈ ঙাক্লবা অমদি কন্নবগী লৌখৎপা অচৌবা খোঙথাংশিংনি। পাকিষ্টান অমদি চাইনাদদি ইন্দিয়ানা থেম্বসু য়ারোই। অদুগী মথক্তা থাক হায়ফেৎ মান্নবনা অমনসু অমবু খরা খৌতক চানবা কন্ত্রিশিংনি। মণিপুর অমদি ম্যান্মারগী মতাংদনা মণিপুরসু ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরুবনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং অমদা ম্যান্মারবু য়েংবা মাল্লি। মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা ম্যান্মারদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী (মরুওইনা) লালহৌলূপ খরা লৈবসি ম্যান্মারদগী তান্থোকহন্নবা/লৈবা য়াহন্দনবা থৌরাং অমা ওইনা, অনীশুবদা, ম্যান্মারসি ইন্দিয়াগা য়ূমলোন্নবা ওইরিবা চাইনা অমদি পাকিষ্টানগুম্না চাওখৎপা খরা ৱাৎপনা মখল খরগী মতেং পীশিল্লগা মরুপ মপাং ওইবা কন্ত্রি অমা ওইনা শেমগৎনবা হোৎনবদা য়াম্না হৈ-শিংনা থেম্বগী মওংদা খুদোংচাবা পীশিনবদা ম্যান্মারনা খুদোংচাবা লৌবা ওইনা ম্যান্মারনা মণিপুরগী ঙমখৈদা হেক হেক কায়হৌরকপগুম তৌবসিনা ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগা অনীগী মরক্তা অরোনবা এজেন্দা করি লৈবগে হায়বসিনি। ইন্দিয়াগী অরোনবা ঙাকপগী হৈশিংবদি হৌজিক ফাওবদা এন এস সী এন (আই-এম) গা শান্তিগী ৱারী শান্নবদা য়াওবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওবদু করিনো হায়বদু খঙহন্নবা অসুক কন্না তক্লরিবসি ফাওবদা করিসু য়াওদে হায়দুনা লোৎশিল্লগা থম্বা ঙল্লিবসিনি। হন্দক্তা মণিপুরগী ক্বাথা খুন্নৌদা বাউন্দরি পিল্লর ৮০ অমসুং ৮১গী মরক্তা মিটর ১০০ রোম চঙশিল্লক্লগা সব পিল্লর অমা য়ুংশিল্লম্লে হায়বসি খঙলকপদগী জুন ২৭, ২০১৮দা য়ু সী এমগী মীহুৎ খরনা চৎলগা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সব পিল্লর য়ুংশিল্লম্বসি চৎনবা য়ারোই, মণিপুরগী ঙমখৈদি মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাকচগনি হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা ৱাথোক ওইরিবা পিল্লরদুদা অমুবা মচু তৈশিল্লম্বসি জুন ২৯, ২০১৮দা অমুক নৌনা ম্যান্মারগী আর্মি অমদি পুলিস য়াওনা চঙশিল্লক্লগা অঙৌবা মচু অমুক শংজিল্লম্লে হায়বসি ষ্টেটনা খঙলবনিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু শোয়দনা খঙলে হায়না লৌফম থোকই। লৈঙাক অনীনা খুদক্তা চৎনবা য়াবা অকনবা এক্সন লৌখৎপা উদে। অমুকসু ষ্টেটসিদা চহী ১৫ লৈঙাক্লম্লবা কোংগ্রেসনসু হৌজিক্তদা পিল্লর নম্বর ৮১সিগী মথক্তা পিল্লর নম্বর ৮২, ৮৩নচিংবসু ইন্দিয়াগী মায়কৈরোমদা কিলোমিটর ৩, কিলোমিটর ২, কিলোমিটর মখায় অমা হেঞ্জিন্না চঙশিন্দুনা লোইনা পিল্লরশিং য়ুংবসি মতমদুদদি কমদৌখিবা জাৎনো? অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মণিপুরগী অপূনবা পাক চাউবা স্কার কিলোমিটর ২২,৩২৭নি হায়রিবসি অচুম চুমদা খঙদোক্লবা সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদা অমুক্তংগা অথুবা মতমদা ওন্থোকহন্নবা মায়কৈ খুদিংমক্তগী তকশিনবদা হেন্না ফগদবা মাল্লি।◀◀